নরেন্দ্রা মোডিগী লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী ইকোনোমিদা অওনবা পুরকখ্রে ঃ আর কে রঞ্জন

ইম্ফাল এপ্রিল ১৪ঃ নরেন্দ্রা মোডিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্লা ইন্দিয়াদা চহী ৪। ৫খক পানবা ইন্দিয়াগী ইকোনোমিদা অওনবা পুরক্তুনা কনত্রি অসি মালেমদা শিংথাবা য়াবা লৈবাক ওইনা ঙমহনলক্লি। মদুগা মণিপুরদনা বি জে পিনা লুচিংবা এন. বিরেনগী চহী ২ খক্তা ঙাইরিবা লৈঙাক শাসন অসিনা মণিপুর চাউখৎপগী লম্বীদা চঙশিনহনবা ঙমহনলি হায়না রিটায়ার্দ প্রোফেসর আর কে.রঞ্জন্না হায়খ্রে।

ভারতিয়া জনাতা পার্টি মণিপুর প্রদেশ (ৰাংখৈ মনদল)না শীন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা নোঙমৈবুং ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট গ্রাউন্দা পাঙথোকপা পব্লিক মীটিং ‘মোডি ৰান্স এগেন’দা শরুক য়াখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি মীখলদা বি জে পিগী মীহুৎ ওইরিবা আর কে. রঞ্জন্না মথক্কী ৰাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না থৌরম অদুবু শরুক য়ারদুনা মখতানা হায়,লুচিংবা নরেন্দ্রা মোডি লৈবাক্কীবমক্তা শিবা কিদবা মীশকনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর চহী ৫খক ওইবা মতমদা তৌরক্লিবা অফবা থবকশিংগী কোংগ্রেসনা চহী ৬০ লৈঙাক পায়খিবা তৌবা ঙমখিদবা থবক ঙাক্তনি। মহাক্কী কেপাসিটি অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা মহাকপু ইকায় খুমনৈ। ইন্দিয়াগা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংগা ইন্দিয়াগা অফবা মরী থম্বা ঙম্লে। বি জে পিদি মুস্লিমবু তাথিবা পোলিটিকেল পার্টিনি হায়না কনগুম্বনা প্রোপেগন্দা তৌই। মসি য়াম্না লানবা ৰাফম্নি। বি জে পিদি জাৎ–বিজাৎ খায়দে। জাটি অমতবু অতমন্না নমথদবা পার্টিনি। বি জে পিদি মুস্লিমগা অফবা মরী থম্বা ঙম্মী অদুনবু য়ু এ ই না নরেন্দ্র মোডিদা এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুম্নরিবনি।

মহাক্না হায় ইন্দিয়াগী মীওই চাদা ৭০ দি লায়রবা কাঙলূপনি। মহাক্না লায়রবা কোকহন্নবা স্কিম কয়া পায়খৎখিবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৰাহংনি। দিমোনিটাইজেসন অমদি জি এস টি চৎনহনবনা মীয়ামদা অৱাবা পী হায়দুনা শন্দোকপা পোলিটিকেল পার্টিশু ঐখোয়গী ইরকতা য়াওখি। জি এস টি অমসুং দিমোনিটাইজেসন তৌবনা মীচম মীয়ামদা থোয়না কান্নবা পী। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা চেঙ হৱাই অমদি গেহুদা চাদা ৫ টেক্স লৌরম্মী অদুবু নরেন্দ্র মোডিনা জি এস টি চলায়রবা মতুংদদি চেঙ,হৱাই অমদি গেহুদা চাদা টেক্স ০ (জেরো) ওইহনখি। মসিদসু নৎতনা দিমোনিটাইজেসন তৌদুনা অয়াম্বা ব্লেক মনি রিকোভর তৌবা ঙমহনখি। অশেংবা অচুম্বা অদুদি মীয়াম্না থাজগদবা অমদি চৎকদবা নৎতে। জি এস টি চৎনরবা মতুংদা ভারতকী শেল থুমগী ফিবম কয়া য়াম্না ৰাংখৎলে হায়বসি নৈনগদবনি। হৌজিক্কী ইন্দিয়া অসি শেল থুমগী ফিবমদা ফ্রান্সতগী হেনগৎলক্লি মতম অমদা ইন্দিয়াবু খুদুম চল্লম্বা ব্রিটিসকি ইকোনোমিদগী ফাওবা ইন্দিয়ানা ২০১৯দদি হেনগৎলক্কনি।

মসিনি বি জে পিনা ইন্দিয়াবু মালেমগী থাক্তা থাংগৎলকলিবনি। নরেন্দ্র মোডিনা এন ই ইন্দিয়াবু য়াম্না লুম্না লোই। মরম অসিনদি এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা মীৎয়েং থমলক্লিবা অমদি মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং এন ই দা তোয়না লাক্তুনা অৱাৎ–অপা য়েংশল্লরি। কোংগ্রেসকী য়ু পি গভামেন্টনা মমাঙমক্তা অসিগুম্বা মখলগী থবক অমতা তৌরমদে। নরেন্দ্র মোডিবু অমুক হন্না পি এম ওইহনখিসি। লৈহল্লসি হন্দকসু অমুক মোডি লৈঙাক মসিদমক মণিপুর আউটর অমসুং ইন্নরগী বি জে পি মীহুৎ অনীমক ভোট কাহনবা য়াম্না মথৌ তাই। এপ্রিল ১৬দা পাঙথোক্কদবা মীখল অসিদা ভোট পিবিয়ু হায়নসু নোকলুক্না হায়জখি।

বি জে পিগী নেস্নেল স্পোক্সপারসন মিষ্টর নালিম কোলিনা থৌরম অদুবু শরুক য়ারদুনা হায়,হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসি য়াম্না মরুওইবা ইলেক্সন্নি। নরেন্দ্র মোডিগী লৈঙাক্লা ইন্দিয়াবু চাওখৎপগী লমজেলদা য়াংনা চেনহবা ঙম্লি। মহাকপু অমুক হননা প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবা মীয়াম্না পাম্লি। মহাক্কী এন ই গী ষ্টেটশিংবু থম্মোই শেংনা নুংশিবা মীশকনি।

দিল্লিদা নুংঙাইনা ফম্লগা লৈথোক্তে এন ই কাউন্সিলগী মীফম য়াওই। এন ইগী মীয়ামগী অপাম্বা–অনিংবা করিনো খঙদোক্লগা থবক তৌই–পোলিসি শেম্লি। দিল্লিদা ফম্লগা পোলিসি শেম্বা অদু মহাক্তি তৌদে।

নরেন্দ্র মোদিনা এন ই ইন্দিয়াগী ইকোনোমিক হব ওইহনবতা নত্তনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদসু মশক থোকপা লৈবাক ওইহনবা হোৎনবা পাম্লি। মণিপুরদি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস হাউসনি মরম অদুনা মফমসিদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলি। বি জে পি লৈঙাক্লা মণিপুরবু হিরম খুদিংদা চাওখৎনবা পাম্মী–চাওখৎনবসু হোৎনগনি।

মহাক্লা হায়, মণিপুরগী মরমদা নেস্নেল পেপরদা য়াওরক্লিবা বন্দ, ব্লোকেদশিং গ্যাস সিলিন্দর অমদা লুপা ২০০০ পীবা, পেট্রোল লিটরদা লুপা ১৫০। ২০০ য়োল্লি হায়বদু তাবদা য়াম্না ঙাকপা ফাওখি। অদুবু অহানবা খুদোংচাবা অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্লা কোকহনখ্রে। মদু বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীবা নুংঙাইবনি। কোংগ্রেস পার্টিদি লৈবাক মীয়ামগী খন্দবা মশাগী ওইজবতা য়েংবা কাংলূপনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবদি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর অৱাবদা অৱাবা ওইগনি। মরম অদুনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা আর কে রঞ্জনবু মীয়াম্না নুংশিবীদুনা মঙোন্দা ভোট পীবীয়ু। লোয়ননা মোদিবু অমুক হননা ইন্দিয়াগী পি এম ওইহনবীয়ু হায়না খুরুমখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা, মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ, মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যাম, মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমার, এম পি কেএসঐচ ভবানন্দ, বি জে পি ইম্ফাল সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিক্টকী প্রিসিদেন্ট সি ঐচ উমানন্দ, এক্স এম এল এ ৰাই ইরবত, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এক্স প্রসিদেন্ট ঐচ বোরোট, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট সেক্রেটরী এম প্রফুল্লো, বি জে ৰাই এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি বারিস শর্ম্মা, বি জে পি ৰাঙ্খেম মন্দলগী প্রসিদেন্ট এমদি ফিরোজ অমদি ৰাঙ্খেম এ সি গী কোওপরেটর কয়াসু শরুক য়াখি।

মথৌ তৌদ্রবা পেপর মিল ২ হিঙ্গৎহনবা হায়বসিনা বরাক ভেল্লিদা লোক সভা ইলেক্সনগী ইসু ওইরি

এজেন্সি

হৈলাকান্দি, এপ্রিল ১৪ঃ মথৌ তৌদ্রবা দিফঙ্ক ওইরবা অসামগী পেপর মিল ২ অমুক হিঙ্গৎহনবা হায়বসিনা বরাক ভেল্লিদা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী মপূং ওইবা ইশু ওইরি।

হৈলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী করিমগঞ্জ কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংচনবা পঞ্চগ্রামদা লৈবা কছার পেপর মিল অমসুং মোরিগাউন্দ দিষ্ট্রিক্টকী নগাউন কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংচনবা জগি রোদতা লৈবা নগাউন পেপর মিল অনী অসি অমুক হিঙ্গৎহনবা হায়বসিনা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা অচৌবা ইসু ওইরি লোয়ননা পেপর মিল অসিগী ইমপ্লোয়িশিংনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা সিলচর রেলৱে ষ্টেসন্দা অকনবা প্রোটেষ্ট অমসু চংখি হায়রি।

অসামগী ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করিগুম্বা অসামদা বি জে পি সরকার লৈরবদি পেপর মিলশিং অসি অমুক হিঙ্গৎহনগনি হায়না লাউথোকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদি করিসু তৌদ্রি।

লোক সভা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা করিগুম্বা কোংগ্রেস পার্টিনা সেন্টরদা সরকার পায়রক্লবদি হায়রিবা মিল অনী অসি থা ৬ কী মনুংদা হিঙ্গৎহনগনি হায়না লাউথোক্লম্বসু লৈখ্রে। মিলগী ইমপ্লোয়ি অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হৌখিবা পঞ্চগ্রাম পঞ্চায়ট ইলেক্সন বোইকোট তৌবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা বরাক ভেল্লিদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী ইলেক্সন রেল্লিদসু মখোয়না অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখি।

হৈলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা করিমগঞ্জ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যু–য়েন্সিদা মপূং ওইনা মীরেপ ৩ লম্বা তৌনরি। মখোয়শিং অদুদি সিট্টিং মেম্বর ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দিমোক্রেটিক ফ্রন্টকী মীরেপ রাধেশ্যাম বিশ্বাস, বি জে পিগী ক্রিপক নাথ মলহা এম এল এ অমসুং কোংগ্রেসকী স্বারুপ দাস (দিপ্যুটি স্পিকর অসাম এসেমব্লি) নি। অদুগা সিলচর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা সিট্টিং মেম্বর কোংগ্রেসকী সুসমিতা দেব অমসুং বি জে পিগী রাজদিপ রোইনা লম্বা তৌনরি।

হৌখিবা থা ৪ রোম অসিগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সিলচরদা অনীরক লাক্তুনা ভোট খোল্লবা মতমদা পেপর মিল ২ অসি হিঙ্গৎহন্নবগী ৰাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমদবদা ইমপ্লোয়িশিংনা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। ঐচ পি সি পেপর মিল রিভাইবেল এক্সন কম্মিটিগী কনভেনর অজিজুর রহমন মজুমদারনা ফোঙদোকখিবদি হায়রিবা মিল অনী অসি থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা মীওই লাক্ষ ২ রোম অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা মায়োক্নরি।

পেপর মিল অসি হিঙ্গৎহনগনি হায়না ৰাশকখিবা অদু সরকারনা থবক ওইনা পাঙথোরক্তবনিনা বরাক ভেল্লিগী মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী অপাম্বদা ভোট পীনবসু মহাক্না মখা তানা আপিল তৌখি। ইমপ্লোয়িশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অসি মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা বরাক ভেল্লিগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা ভিদিও ক্লিপশিং থাদোক্লুবসু থৌরাং তৌরি হায়রদুনা ইমপ্লোয়িশিংনা থা ২৭ কী তলব ফংদনা লৈরি অমসুং ইমপ্লোয়ি ৫১ দি অনা লায়েংবা ফাওবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। অদুগা ২ না মথন্তা শিজখ্রে। মিল অনী অসি ২০১৫ দগী মথৌ তৌহন্দনা থম্লকখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীতোপ চঙশিল্লকপা শৌগৎলিবদি কোংগ্রেস নত্তে বি জে পিনি

এজেন্সি

গুৱাহাটি, এপ্রিল ১৪ঃ অসাম য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা আইন্না য়াদবা মীতোপ চঙশিল্লকপদা শৌগৎলিবদি কোংগ্রেস পার্টি নত্তে বি জে পিনি হায়না আসাম প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট রিপুন বোরানা ফোঙদোকখ্রে।

কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কেন্দুকনাদা পাঙথোকপা মীটিং অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা বি জে পি সরকারনা বাংলাদেশি নেস্নেল ১৮৪২ লৈবাক অসিদা পুশিল্লকখি। অদুগা য়ু পি এ সরকারনা চহী ১০ দা পুশিল্লকখিবা মশিংনা লিশিং ৮২ নি হায়বা ৰাফম নৌহৌননা নীংশিংলদুনা অসামদা বি জে পিনা লুচিংবা সরকার লৈরবা চহী অনীমখায়রোম অসিদা ফোরেন নেস্নেল ৪ খক্তমক ইন্থোকপা ঙমখি। অদুগা কোংগ্রেসনা সাসন তৌরিঙৈ মতমদা তোঙান তোঙানবা ফোরেনর ত্রিবুনেলনা মীওই লিশিং ৪৬ ফোরেন নেস্নেলনি হায়না খঙদোকপা ঙমখিবনি। মদুগীদমক অসামগী চীফ সেক্রেটরীবু সুপ্রিম কোর্টনা রি প্রিমান্দ তৌখিবনি হায়না রিপুন বোরানা ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংবগী ৰাফম লূম্না লৌরগা করিগীদমক সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ পুথোক্কদৌরিবনো হায়না হংলদুনা ইলেক্সন অসিদা মোদিনা নীংহন্নবগা লোয়ননা মায়থিবা নংলগনি হায়বগী অকিবা অদু উৎথোকপনি হায়খি।

মোদিনা কোংগ্রেস অমসুং পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মায়োক্তা ঙাংবা নত্তনা করিসু তৌবা ঙমদ্রি। সেক্যুরিটি ফোর্সকী মিংদা বি জে পি সরকারনা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈরে। ঐখোয়গী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অসিদি পূম্নমক্কী মথক্তা লৈবনি। মখোয়বু ইকায় খুম্নে অদুবু বি জে পিনদি অমোৎপা পোলিটিক্সতা মখোয়বু পুশিন্নবা হোৎনৈ হায়নসু মরাল শীখি।

ইলেক্সন কম্মিসন অসিসু বি জে পি সরকারগী পপেত ওইরে হায়রদুনা লোকেল টেলিভিজন চেনেল অমদা কেবিনেট মিনিষ্টর হেমন্ত বিস্বা শর্ম্মগী লাইভ ইন্টরভিয়ু শন্দোক্লিবসি থিংনবা ৰাকৎখিবা লৈ। হায়রিবা ইন্টরভিয়ু অসি অহানবা ফেজগী ভোট থাদগদবা নুমিৎকী নোংমা ৰাৎলিঙৈদসু শন্দোকখি। মদুনা ভোটরশিংদা অচৌবা ইথিল পীখি। অদুবু ইলেক্সন কম্মিসন্না করিসু খঙশিন্নদনা বি জে পি সরকারগী পপেত ওইনা লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অহানবা ফেজদা ভোট থাদনখিবা অসামগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যু–য়েন্সি ৫ গী মনুংদ ৪ দি কোংগ্রেসনা শোয়দনা ফংগনি হায়না থাজবসু লৈ হায়খি।

অতোপ্পা অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অসামগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা রেল্লিদা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা অমুক্কসু হন্না পীখি অদুবু নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সেক্সনগী মীওইশিং তানরবা মতুংদা থবক অসি লৌখৎকনি হায়বগী ৰাফম থমখি।

বরাক ভেল্লিগী রামনগরদা পাঙথোকখিবা রেল্লিদা করিগুম্বা বি জে পিনা পৱার পায়রবদি বিল অসি শোয়দনা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কনি হায়না লাউথোকখি। অসামগী মীয়ামদা শোক্তনবা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন, ষ্টেকহোল্ডর, সেক্সনগী মত লৌরগা দরকার ওইবা এমেন্দমেন্ট অদু তৌগনি হায়বগী ৰাফমসু থম্লি। মীপুম খূদিংমক মশাগী ময়ুম লৈহনবা অমসুং ২০২২ দা লৌমী খূদিংমক্কী ইনকম দবল ওইহনবা, য়ুমথোঙ খূদিংগী ইলেক্ট্রিসিটি ফংহনবা হায়বা সরকারগী ভিজন অদু মীয়ামদা নীংথিনা খঙহল্লদুনা মীয়ামগীদমক চৌকিদার লৈরি হায়খি।

কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দুকোনাদা পাঙথোকপা রেল্লিদা ৰা ঙাংলদুনা নরেন্দ্র মোদিনা অসামদা ভোট ফংনবগীদমক কোংগ্রেসনা মীতোপশিংবু শৌগৎলি,বাংলাদেশ বোর্দর দিমাক্রেসনগী থবক থিন্থহন্দুনা মীতোপ কয়াসু চঙহল্লি হায়নসু মরাল শীখি।

রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা অসাম চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়, বরাক অমসুং ব্রহ্মপুত্র ভেল্লি শেমগৎ শাগৎনবা সরকারগী চপ চাবা ফিরেপ লৈ অমসুং অসামবু খ্বাইদগী ফবা ষ্টেট ওইহনগনি। কোংগ্রেসনা চহী কয়া বরাক ভেল্লি থৌশাবিরমদে হায়না মরাল শীরদুনা বি জে পি সরকার লাকপদগীদি অনৌবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলি হায়বগী ৰাফমসু থমখি।

মীয়ামগা লোয়ননা গোবিন্দজি মান্দবতা চৈথাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ঃ চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দকসু মণিপুর পণ্ডিত লোইশঙ অমসুং শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ খূৎশম্নদুনা মীয়ামগা লোয়ননা ঙসি শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মান্দবতা চৈথাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কুমসি চহীগী ওইনা ৱাহেং খুমন মনিং লৈকাই নঙ্গোলদা লৈবা তেংব্রম তেজমনি খা ঙানবনা চৈথোখি। মহাক্না ৫৩৬ শুবা চৈথোবা ওইরে। হাকুমগী চৈথোবা হাওবম মরকইরোম লৈকাই ইম্ফালদা লৈবা চিংথাম ইবোয়াইমা সিংহগী মহুৎ তোংব্রম তেজমনিনা শীল্লগনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা মাইবী লোয়শঙনা মায়কৈ মরী শরোই খাঙবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। শজিবু চৈরাওবা নোংমা ৰাৎলিঙৈ ঙরাং থাংজ নুমিত্তা হৈবোক চীংদা শীং শৎপগী থৌরমসু পাঙথোকখি হায়না মণিপুর পণ্ডিত লোয়শঙগী সেক্রেটরী এন জি রঞ্জিৎনা ফোঙদোরক্লি।

এম দি য়ুগী প্রোজেক্ট প্লে উৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ঃ মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী শেঙ্গুং মখাদা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) য়াইস্কুল পুলিসলেন্দ ইম্ফালনা পুথোকপা প্রোজেক্ট প্লে ‘মপূং ফাদবা’ ঙসি নুংথিল এম দি য়ুগী ওদিটোরিয়মদা মায় পাক্লা উৎখ্রে।

প্রোজেক্ট প্লে অদুগী প্রেমিয়র শোদা ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী এদভাইজর আর কে বিদুর নেস্নেল এৱার্দিনা অথোইবা মীথুংলেন, থিয়েটর সেন্টর মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী রনবির খোইস্নামনা ইকায় খুম্নবা মীথুং অমসুং মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এ খেরগোপাল সিংহনা থৌরম মপু ওইখি।

প্রোজেক্ট প্লে ‘মপূং ফাদবা’ হায়বসি মোহোন প্রকাসনা ইবনি। অদুগা ডা. আর কে মোবিনা ট্রান্সলেট তৌবনি। ডা. লমাবম গোজেন্দ্রনা দিরেক্সন পীবনি।

নুপীশিংগী ৱেলফেয়ারগীদমক ফেমিনিষ্ট মেনিফেষ্টো শেম শারে

এজেন্সি

গুৱাহাটি, এপ্রিল ১৪ঃ তোঙান তোঙানবা বেকগ্রাউন্দদা থবক তৌবা নুপী গ্রুপ অমনা ফেমিনিষ্টর মেনিফেষ্টো, ইলেক্সন ২০১৯ অসাম শেম শাখ্রে।

মেনিফেষ্টো অসিনা নুপীশিংগীদমক গ্রেটর পোলিটিকেল, ইকোনোমিক অমসুং সোসিয়েল রাইট দিমান্দ তৌরি। মসিগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্ট, ষ্টেট এসেমব্লি অমসুং ওটোনোমস কাউন্সিলদা নুপীশিংগীদমক শরুক অহুম থোকপগী অমা রিজার্ভেসন থম্বা য়াওরি। লোয়ননা হেলঠ, এদুকেসন, সোসিয়েল সেক্যুরিটি, পব্লিক সার্ভিস, পিছ অমসুং সেক্যুরিটি হেন্না ফগৎহনবা হায়বগী ৰাফমসু থম্লি। আর্ম ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার) এক্ট, নেস্নেল সেক্যুরিটি এক্ট অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন এক্ট)নচিংবা আইনশিং রিপিল তৌগদবনি হায়বা ৰাফমসু থম্লি।

নুপীশিং অসিনা শেম্লিবা মেনিফেষ্টো অসিনা মশীং য়ামজদবা নুপী গ্রুপশিংদা চাউনা মতেং ওইগনি। মখোয় তোঙান তোঙানবা সোসিও কলচরেল, রিলিজস, ইথিকেল অমসুং ইকোনোমিক বেকগ্রাউন্দ মপূং ওইনা টি ট্রাইব কম্যুনিটি, বেঙ্গোলি মুস্লিম অমসুং ৱুমেন ফার্মরশিংদগীনি। লমদম অসিদা সোসিও কলচরেল দিভলপমেন্টকী থবক তৌরিবা এন ই থিংগী বনমালিকা চৌধুরিনা হায়, মেনিফেষ্টো অসি গ্রাউন্দ লেভেলগী থবক অমসুং নুপীশিংনা হংলিবা অমসুং ফংলিবা ফিদবেক্তা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বনি।

ওল অদিবাসি ৱুমেন এসোসিয়েসন ওফ অসামগী সেন্ট্রেল বোদিগী এদভাইজর সঙ্গিতা কেতেনা হায়, ট্রাইবেল নুপীশিংগী মেটরনেল হেলথ, এদুকেসন, হাওসিং অমসুং সেনিটেসনগী মতাংদা কোর ইসু কয়া নীংথিনা খঙহল্লি।

সোসিয়েল অমসুং সিভিল কম্যুনিটিদা বেজ তৌবা সপোর্ট গ্রুপ ইকোনেটকী মসুমা বেগম্না হায়, রুরেল অমসুং অর্বান সেক্টরদা লৈবা নুপীশিংবু কয়া থৌৱা শাবিদে। অদুনা মখোয়গী ওইবা ইসু কয়া পোলিটিকেল পার্টি অমসুং মেদিয়াদা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

মিনিষ্টর ওইরম্বা চুংসৈ হাওকিপ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ঃ ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্তা য়াওদুনা মিনিষ্টর ওইরম্বা চুংসৈ হাওকিপ ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা মশাগী ময়ুম চুরাচান্দপুরগী তুইবোংদা লৈখিদ্রে।

মহাক্না খঙহৌদনা লৈখিদবদা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (টি এস এ) চান্দেল অমসুং তেংনৌপল ব্রাঞ্চনা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়াম্না হেন্না শক খঙনখিবা লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসি মণিপুর ষ্টেটকীদা নত্তনা কুকি সোসাইটিগীসু চাউনা মাঙজবা অমনি হায়নসু টি এস এ চান্দেল অমসুং তেংনৌপল ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরী লিয়েন হাওকিপ্না ফোঙদোরক্লি।

ꯁꯥꯏꯟꯇꯤꯐꯤꯛ ꯀꯣꯔꯁ/ পাঞ্জি তম্বা

Scientific Horoscope Centre, Babupara না Scientific ওইবা মওংদা থা ৩ গী পাঞ্জি তম্বগী কোর্স অহানবা বেটচ লোইখিদুনা অনীশুবা বেটচ তাং ২৫।৪।২০১৯ দগী হৌজরগনি। পাঞ্জিগী মহৈ অসিবু হৈনিংবা মীওইশিংনা মখাগী অসিদা উনবিয়ু। Class 6.30 a.m. to 8.30 a.m.

Budhi Leishangthem
8119046868

SL/4599/15 days

ꯁꯥꯏꯅꯁ/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক ঃ– নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা–তঙবা, অমাংথোঙ–নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং–মরেং চৎপা, চক–চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ–অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ–দ্রোপ তাবা, ঈ–পেচাকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ–চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, পিক্লা মরি অমা ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা–শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা–ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোইবা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা),লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – *Naorem Ibomcha Meitei*
Heingang Awang Leikai, Saya Club,
Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. -Heingang P/S
Contact No. 8014023792
SL/4452/upto March 24

মণিপুর লৌমী লূপ্না সি পি আই মীরেপ শৌগৎনবা লেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ঃ ১৭ শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী অনীশুবা ফেজদা থা অসিগী ১৮ লাক্লিবা শগোলশেন নুমিত্তা ভোট থাদনগদৌরিবা নম্বর ১ ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লেফ্ট দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী মীরেপ ওইরিবা সি পি আইগী ডা. এম নরবু মণিপুর লৌমী লূপ্না মপূং ফানা শৌগৎনবা লেপ্লখ্রে।

মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরী ঐচ ইবোবি সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি ইলেক্সন অসিদা মণিপুর লৌমী লূপ্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংদুনা ডা. নরবু মায় পাক্লবা হোৎনবা হায়না হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম্না লেপ্লখি।

লোক্তাক প্রোজেক্টনা শোকহল্লবা কান্নবা পীবদগী মাঙবনা হেল্লবা চহী ৩০ হেন্না লৌ পরি লিশিং ৮০ লোম ঈশিং থুমজিন্দুনা মহৈ মরোং লোকপা য়াদনা মাঙহনখ্রবশিংগী ক্ষেতিপুরোন পীদবা, ঈশিং ইচাও থিংনবা খুজিল থৌরাং নীংথিনা পায়খৎতবনা মরম ওইরগা মাঙ তাকহনখিবা মহৈ মরোংগী কম্পেন্সেসন পীথোকপিদবা, মরু ওইনা লৌমী মীয়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা তাঞ্জা অসিদা সি পি আইগী মীরেপ ডা. এম নরবু মায় পাকহনবিরবদি মীয়ামগী শকয়েং মীংশেল ওইরিবা লোক্তাক পাৎ কনগনি, ইথাই বেরেজ লৌথোক্লবা হোৎনগনি, লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা হক পূম্নমক ফংহনগনি হায়বা ৰাফম ফোঙদোক্লি।

কোরিয়া–ইন্দিয়া ফ্রেন্দসিপ ক্লুইজ কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন লেঙ্গোইজ (কোরিয়ান) না শীন্দুনা অহানবা কোরিয়া–ইন্দিয়া ফ্রেন্দসিপ ক্লুইজ কম্পিটিসন ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

এম য়ু সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা স্কুল ২০ দগী মহৈরোয় ১৪৫ না শরুক য়াখি। মদুদা একলৈব্য মোদেল ইংলিস স্কুল সপরমৈনাগী মহৈরোয় সটমুনচোন কিপগেননা অহানবা, ইগল হায়স্কুল নাগারামগী মহৈরোয় খায়িঙম ভরুনা অনীশুবা অদুগা খৃষ্ট জোতি মন্ত্রিপুখ্রিগী মহৈরোয় আই খুমবিয়া মুননা অহুমশুবা তাখ্রে।

অহানবা পোজিসন ফংখিবা একলৈব্য মোদেল ইংলিস স্কুলগী মহৈরোয় সটমুনচোন কিপগেনবু কোরিয়া সরকারনা অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা নুমিৎ ১০ নি কোরিয়াদা কোয়গনি হায়রি।

ক্লুইজ কম্পিটিসন অদু শীনখিবা দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন লেঙ্গোইজ (কোরিয়ান)গী এসিষ্টেন্ট প্রো. এ রনিতানা ফোঙদোরকখিবদি মালেমগী হোংলক্লিবা অওনবা অসিদা ইন্দিয়া অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়া লমদমশিংগী মরীসু নোংমা নোংমগী ফগৎলক্লি। মরম অসিনা হৌরক্লিবা মীরোলনা কোরিয়াগী লোন অমদি মখোয়গী নাৎ, কলচর খঙহৌবা অসি কান্নবা ওইরগনি।

স্কুলশিংদা ফোরেন লেঙ্গোইজগী ক্লাস হাপ্পা অসি মথৌ তারক্লে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসনা বোন্দ ওর্দর তরাম্না ওকখ্রে

এজেন্সি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ঃ পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী ইলেক্টোরেল বোন্দ দোনেসন অমসুং দোনরশিংগী অকূপ্পশিং পোল পেনেলদা খঙহনগদবনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা পীখিবা দিরেক্টিভপু কোংগ্রেস পার্টিনা তরাম্না ওকখ্রে।

কোংগ্রেসকী ৰাঙাংলোই অভিসেক সিংহবিনা হায়, ইলেক্টোরেল বোন্দগী চাদ ৯৫ দি বি জে পিদা লৈ। মরম চাদবা অমোৎপা শেল লাকফম ওইরিবশিং অসি নন ট্রান্সপরেন্ট ওইদবনা শেঞ্জা থুমজাগী হৌরকফম ওইহল্লি অমসুং ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী বেসিক ষ্ট্রকচরদা হাকথেংননা চৈথেং ফংহল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মশক খঙদবা অরোনবা কয়ানা পার্টি অমদা পুকচেল চাউনা দোনেট তৌরি। অদুগা করিগুম্বা মতমদা মহাক্কী পুকচেল চাউবা অদু লাক্লিবা মে থাদা সিল্ড তৌরবা কোভর হাংদোকপা মতমদদি খঙহৌদনা মাঙখিবা য়াই। অসিগুম্বা অরুবা ৰাফম অসি মোদিনা দিজাইন তৌবনি অমসুং মশক মমিং খঙহন্দনা পৈশা ফংবা হায়বসিসু মোদিনা মহাক্কীদমক পুথোকপনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরি। অসিদসু নত্তনা কান্নবা ফংলিবশিং অদুগী মমিংসু অরোনবা ওইনা থম্মি হায়বসিসু পূম্নমক্লা খঙই। অদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসিনা কনাদা কমদৌনা কান্নবা পীরিবগে হায়বা অদুদি খঙবা ঙমদে হায়বগী ৰাফমসু থমখি।

ঙসিগী রাষি ফল (১৫–০৪–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ হকচাং ফবা ৰাৎলগনি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। অচৌবনা চানবিরগনি। নুংশিৎকী অনাবা থেংনরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

বৃষঃ অশোক অপন থেংনবা, শাওনবা মতম্নি। হোৎনবদি য়াগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈশিংউ। কল্লকপা য়াম্মী। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ হেন্না ফত্তে, ৫ খরা ফগনি।

মিথুনঃ চরক চহিং নাইবা, য়ৈখায়বা থেংনরগনি। হৈশিংলবদি পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। ইথক থোংবনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ চাং অমদা লৈ।

কর্কটঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লুচিংবা অমদি থৌশিলবা ওইবা, মীনা মশক খঙবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

সিংহঃ হোৎনজমন কান্নবা মতম্নি। অচৌবশিং মরুপ মপাংশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ অফবনি।

কন্যাঃ চয়েৎনবা, শেল চৎপা, শোক্তনবা, খৎনগনবা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। তোখাই তাগনগনি। শাগৈনা য়েংশিনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

তুলাঃ শেল চৎপা, হকচাং ফবা ৰাৎপা, ৰাখল ফকচিনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

বৃশ্চিকঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, হোৎনজমন কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

ধনুঃ খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা ফগৎপা পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অফবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

মকরঃ খৎনবা, শাওনবা, মুক্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

কুম্ভঃ চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ খরা ফগনি।

মীনঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।


চাকঙাই বারী-১২
তেপডবা হিংচাবা
অইবা অমসুং ময়েকপা
নোং পান
চাউইনে, ফনদুম ফরে মসিমগা য়ানশিল্লগে কান্নবসু লাকপা য়াইনা
এ... নাকল নাম্মদি হোরেনে, থীনববু য়ারমগদ্রা য়েংগেনে